
# ইন্দিয়া অমসুং য়ুকেগী মরক্তা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট লৈরগনি: মোদি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্নবগীদমক্তা ইন্দিয়া অমসুং য়ুকেনা চথরক্লিবা চহী অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়দ্রবাদ হাউসতা বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগা বাইলেটরেল ৱারী শান্নরবা মতুংদা জেইন্ট মিদিয়া ব্রিফিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা হায়খি, হন্দক্তা ঐখোয়না য়ুএই অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগা এফটিএগী ৱারী শান্নবা লোইশিনখি।

মান্নবা স্পিরিট অমদি কম্মিটমেন্টগা লোয়ননা ঐখোয়না য়ুকেগসু এফটিএ চৎনহন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা চহীদা ঐখোয়না ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ লিংখি অমসুং মরু ওইবা রোদ মেপ ২০৩০ হাপচিনখি।

ঐখোয়না ৱারী শান্নবদা হিরম অসিগা মরী লৈনবা প্রোগ্রেস রিভিয়ু তৌখি অমসুং পান্দম খরসু থমখি।

মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীনা দিফেন্স সেক্টরদা কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবগী ৱাফম য়ান্নরে। ঐখোয়না য়ুকেবু মেন্যুফেকচর, টেক্নোলোজি, দিজাইন অমসুং দিভলপমেন্টগা লোয়ননা অটমানিরভা ভারতকী অতৈ সেক্টরশিংদা পার্টনর ওইনা তরাম্না ওকই।

ইন্দিয়ানা হন্দক্তা পায়খৎখিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মোর্দনাইজেসন প্লানগী রিফোর্মশিং অমদি নেসনেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাইপ লাইনগী মতাংদা পল্লদুনা মোদিনা হায়খি, মদুদি য়ুকেগী কম্পেনিশিংনা ইন্দিয়াদা লেপ্তুনা ইনভেষ্ট তৌরক্লিবসি লৈবাক অসিনা তরাম্না ওকই।

অসিগুম্বগী খুদম চাংদম অমা ঐখোয়না শগোলশেল নুমিত্তা গুজরাটকী হলালদা উবা ফঙখি। ইন্দিয়াদগী হৌখিবা য়ুকেগী নেসনেল মিলিয়ন ১.৬ রোম্না ইন্দিয়ান ইকনোমি অমসুং সোসাইটিদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা কন্ত্রিব্যুসন পীদুনা লাক্লি।

ইন্দিয়াদগী হৌখিবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগীদমক্তা ঐখোয়না চাউথোকচৈ। মায়কৈ অসোমদা ঐখোয়না মখা তানা লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিলহনবা পাম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন মশামক্লসু হিরম অসোমদা মতেং কয়া পাঙখ্রে হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি গ্লাসগোদা সিওপি-২৬ তা থমখিবা পান্দমশিং ফঙনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি হায়বসি ইন্দিয়ানা মালেমদা উৎখ্রে। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ক্লাইমেট অমসুং ইনর্জিগী পার্টনরশিপ মখা তানা চেৎশিলহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

ইন্দিয়াগী নেসনেল হাইদ্রোনেস মিশনদা য়াওবীরক্নবা ঐহাক্না য়ুকেদা ইনভাইট তৌই অমদি লৈবাক অনীগী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিক ট্রেদ বাইলো লিংবগীদমক্তসু ঐহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

গ্লোবেল ইনর্জি পার্টনরশিপ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী এরেঞ্জমেন্টশিং লোইশিনবা ঙম্লিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়াম্না মরু ওইবা ইনিসিএটিব অদু প্রুফ তৌরগনি। মসিনা অতৈ লৈবাকশিংগা লৈনরিবা পার্টনরশিপকী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। মসিগী মখাদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুকেনা 'মেদ ইন ইন্দিয়া' ইনোভেসনশিং অহুমশুবা লৈবাকশিংদা ট্রান্সফর তৌনবগীদমক্তা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ ফাওবা কো ফাইনান্স তৌরগনি। মসিনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলশিং ফঙহনবদসু মতেং পাংবগা লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবদসু মতেং ওইরগনি।

মসি ঐখোয়গী ষ্টার্ট অপশিং অমসুং এমএসএমই সেক্টরগী ওইনা য়াম্না কান্নহনবগা লোয়ননা অনৌবা মার্কেটশিং পুথোকপা অমদি মখোয়গী ইন্নোভেসনশিং গ্লোবেলাইজ তৌবা ঙমহল্লগনি।

মোদিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রিজনেল অমসুং গ্লোবেল লেভেলদা ঐখোয়না চাওখৎ খোঙথাং কয়াসু খন্ন-নৈনখি। ইন্দো-পেসিফিক রিজনবু ফ্রি-ওপন, ইনক্লুসিব অমসুং রুলশিংদা য়ুন্ফম ওইবা ওর্দর লৈহনবা মথৌ তাই হায়নসু য়ান্নখি।

ইন্দো-পেসিফিক ওসিন্স ইন্নিসিএটিবতা য়ুকেনা য়াওনবা ৱারেপ লৌখিবসি ইন্দিয়ানা তরাম্না ওকই হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱারী শান্নবা অদুদা মখোয়না য়ুক্রেন অমসুং অফঘানিষ্টানগী ফিভম খন্নখি হায়নসু ফোঙদোকখি। বৃটিস পিএম বোরিস জোন্সন শগোলশেল নুমিত্তা অহমদবাদতা থুংলখিবনি।

# ৱার্কর সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা সিবিআইবু থিজিনহল্লু হায়বা পিআইএলগী মরী লৈননা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

বিজেপিগী ৱার্কর অমা সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা সিবিআইবু থিজিলহন্নবা তকশিনবা পিআইএল অমগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা টেলঙ্গানা হায় কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, টেলঙ্গানা গভর্নমেন্ট, ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর পি অজয়কুমার অমসুং অতৈদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

কোর্ট অসিনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্ট, ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর, খমাম পুলিস কম্মিস্নার, খমামদা লৈবা ইল টাউন পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হাউস ওফিসার (এসঐচও) অমসুং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) দা নোটিসশিং ইস্যু তৌনবা ওর্দর তৌখি।

টেলঙ্গানা রাষ্ট্র সম্মিটি (টিআরএস) কী লুচিংবা প্রাসানা কৃষ্ণ অমসুং সার্কল ইন্সপেক্তর নারসয়াদসু নোটিস ইস্যু তৌখি। রেস্পোন্দেন্টশিংদা চয়োল অনীগী মনুংদা মখোয়গী পাউখুমশিং পীরক্নবা দিরেক্সন পীখি।

সাই গনেসনা সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদসু সিবিআইবু থিজিলহন্নবগী দিরেক্সন পীবিনবা হায়জরদুনা উকিল আর কৃষ্ণনয়ানা ফাইল তৌরকখিবা পিআইএল অমগী মতাংদসু কোর্ট অসিনা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

মিনিষ্টর অমদি লোকেল টি আরএস লিদরশিংগী থৌইনশিনদা পুলিসনা হরাসমেন্ট পীবদগী গনেস সুইসাইদ তৌখিবনি হায়না বিজেপিনা মরাল শীরিবনি।

এপ্রিল ১৪ দা খমামগী পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা তিলহাৎ হিদাক থকপদগী গনেস লৈখিদবনি। মহাকপু হায়দ্রবাদতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা এপ্রির ১৬ শিখি।

বিজেপিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট বন্দি সঞ্জয়না হায়খি, মদুদি গনেসকী মায়োক্তা অরানবা কেস ১৫ বুক তৌখি অমসুং ওৎ নৈবদা খাঙবা ঙম্লক্তবদগী মহাক মথন্তা শিজখিবনি।

গনেসনা শিরমদাইদা ফোঙদোক্লম্বশিং ফাওবা পুলিসনা রেকোর্দ তৌখিদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মীশি অসিগা মরী লৈননা বিজেপিনা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখি।

পার্টিগী ৱার্কর অসিনা সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা পার্টি অসিনা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরবু মরাল শীরিবনি।

পার্টি অসিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা গভর্নর তামিলিসাই সোদারাঞ্জনদা মেমোরেন্দম অমা সবমিট তৌদুনা সিবিআইবু থিজিলহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

# আইআইটি মদ্রাসতা মীওই ১৮ পোজিটিব ওইরে

চেন্নাই, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

আইআইটি মদ্রাসতা মহৈরোয় অমসুং ষ্টাফ য়াওনা পুন্না মীওই ১৮ কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইরে হায়না তামিল নাদু হেল্ঠ দিপার্টমেন্টগী ওফিসিএলশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

মসি থারগা হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা আইআইটি মদ্রাসতা কোভিদ পোজিটিব ওইবা মীশিংগী অপূনবা মীশিং ৩০ শুরে।

তামিল নাদু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টদা য়ামদ্রবদা সেম্পল ২৫,০০০ টেষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি। হৌজিক নুমিৎ খুদিংগী ওইনা সেম্পল ১৮,০০০ রোম টেষ্ট তৌই। নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মীওই ৩০ পোজিটিব ওইরক্লিবা অসিদগী ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হেল্ঠ দিপার্টমেন্টগী ওফিসিএলশিংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কন্দক্ট তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেট হেল্ঠ সেক্রেটরি রাধাকৃষ্ণননা হায়খি, মদুদি হেল্ঠ দিপার্টমেন্টনা কোভিদ ১৯ প্রোটোকোলশিং চেকশিন্না ঙাক্লুবা খঙহনখ্রে।

তামিল নাদু গভর্নমেন্টনা মাস্ক শোয়দনা শীজিন্নগদবনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা রুল অসিবু থুগায়বশিং লুপা ৫০০ ফাইন তৌগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট হেল্ঠ মিনিষ্টর মা সুব্রামনিয়ন্না হায়খি, মদুদি আইআইটি মদ্রাসতা কোভিদ ১৯ কেস হেনগৎলক্লিবসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরি।

ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টনা ফিভম অদু চেকশিন্না মোনিটর তৌরি অমসুং হিরম অসিগা মরী লৈননা মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি। মীয়াম্না কোভিদ ১৯ ষ্টেন্দর্দ প্রোটোকোল চেকশিন্না ঙাক্কদবনি হায়খি।

# ফোদ্দর স্কাম: লালু প্রসাদ যাদব বেল পীখ্রে

রাঞ্চি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

বিহার মচেৎ তাদ্রিঙৈদা লোনা য়াদবা মওংদা দোরান্দা ট্রেজরিদগী লুপা ক্রোর ১৩৯.৫ লৌথোকখিবগা মরী লৈনবা ফোদ্দর স্কাম কেস অমদা চেন্নবা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আরজেদি) গী চীফ লালু প্রসাদ যাদবতা ঝরখন্দগী কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা বেল পীখ্রে।

দোরান্দা কেসতা লালুবু কনভিক্সন পীখিবা মতুং চয়োল ৪২ লৈরগা রাঞ্চি হায় কোর্টকী জজ অপ্রেস কুমার সিংহনা বেল অদু পীখিবনি।

স্পিসিএল সিবিআই কোর্টনা আরজেদিগী চীফ অসিবু ফেব্রুৱারী ২১ দা কনভিক্ট তৌখি অমসুং চহী মঙা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। মদুদগী মহাক্কী বেলগীদমক কোর্ট অসিদা হিয়ারিং মরি চথখ্রে। ইকোন কোনবা হিয়ারিংদা কোর্টনা সিবিআইদা লালু প্রসাদতা করিগী বেল পীরোইদগে হায়বসিগী মতাংদা এজেন্সি অসিগী ওবজেক্সন ময়েক শেংনা খঙহল্লক্নবা হায়খি। সিবিআইনা কোর্টতা মসিগী রিপ্লাই ফাইল তৌখিবা ওইরবসু জজনা আর্গুমেন্টশিং অদুদা পেনখিদে। অমরোমদা, জষ্টিস অপ্রেসকুমার সিংহনা লালুগী উকিল প্রভাদ কুমারগী আগুমেন্টদা হেন্না পেনখি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. : Mut. Case No. 222 of 2022**

1) Shree Chingakham Kumar Singh, S/o (L) Netra Singh of Thangmeiband Sinam Leikai
2) -do- Kesho Singh, S/o -do- of Kodompokpi Mamang Leikai
3) -do- Banachandra Singh, S/o -do-
4) -do- Biramani Singh, S/o -do-
5) -do- Birendro Singh, S/o -do-

-Vs-

Shree Chingakham Netra Singh, S/o (L) Tomchou Singh of Kodompokpi

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 22/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং 5-Kodompokpi পাট্টা নং 146 (অরিবা) 120 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1394 & 1390 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.35 acre & 0.07 acre একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 30/04/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2332/23

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 22nd April, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Agape Foundation" of Mayang Imphal Thana Maning Leikai IB Road** on **20-04-2022** for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Mayang Imphal Thana"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/2333/23


## URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata*

*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | *Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)* | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | *Vacancy at North East India (Male/Female)* | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 29/04/2022

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25,26



# COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**
**CRASH COURSE 2022**
**For NEET (Medical) Aspirants**
**Physical Class : Morning 8:00 am**

*Admission form & Prospectus is available*

- Last Date of Admission : 25th April , 2022
- Class commencement from : 4th May, 2022

**Special Features**

- Assessment test every week on Monday.
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Study Materials will be provided.

**SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS**

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2020 Batch (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2020 Batch (Through Screening Test)
- Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

**FIRST COME FIRST SERVE**

HL-P/7609/20,23,27





## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR - IMPHAL

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE INVITING TENDER FOR HIRING OF BUS**

Dated, the 22nd April, 2022

**NO. MU/55/TRANS/21/1/119 :** Manipur University invites sealed tenders from interested bidders for hiring of Bus. Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in or obtained from the undersigned. Last date of submission of tender is 6th May. 2022.

**Sd/- Purchase Officer**
**Manipur University, Canchipur**

HL-B/7618/23

## BOARD OF SECONDARY EDUC ATION MANIPUR

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

**Imphal, the 22nd April, 2022**

No. G/54/1/2008 /Pt It has come to the notice of the Board that some of the schools recognised by the Board have been sending up students from unrecognised schools as their own students for taking the H.S.L.C. Examinations. This practice is in contravention of existing Rules and Regulations prescribing code of conduct to be followed by the recognized schools.

All recognised schools are, therefore, requested not to indulge in such unfair practices. It is also reiterated that all such students from unrecognized schools are not eligible to take the H.S.L.C. Examination and their names shall be deleted from the list of candidate. It has also been decided that in the event of any such malpractices, the defaulting schools (recognised schools) shall be liable to pay a fine Rs. 1,00,000/- (Rupees one lakh only) failing which the schools shall be debarred from sending up candidates for any future H.S.L.C. Examinations.

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**

HL-P/2334/23

